## ঈশাশেং

“ করিনো ঐনা তৌগদবা
নৈহৎপিরবা মালেমসিদা?
নয়াথংদি ইন্দবা য়াদে
তৌফম থোকপদি তৌদবা য়াদে।
মমিৎ ঙাঙলবা তাইবঙশিংনা
মী চারি লেপ্পা লৈতনা।
ঈগী মহাও খঙলমাল্লে
হাৎপগী হৈনবী লৈরমাল্লে
হাৎনবগী হালেংবা লৈরক্লে। ”
—সঞ্জেনবম ভানুমতী



### অতোপ্পা তাইবঙগী যূমশিং
*কেনেবো রাজকুমার*

রেল গাড়ীগী মখোল তাদবা মফমদা
হৱাগাড়ীগী মৈখু মনম নমদবা লমদমদা
মহৌশানা মকে শেম্লিবা চীংগুম লোক্কী নাকন্দা
শঙ মচাশিং, যূমদোকপোক পরেং-পরেং
কুপশিল্লবা খনজিল্লবা মঙালশিং ঙাল্লি নুমিদাংদা...
থৱায়গী ঈতিনফম থিরি থৱায়গী মপুশিংনা
মালেম লৈশাদা লাইবক কৎলদুনা ঈশৈ শক্লি
কনানসু তাদে।
লোক্কী ঈশিংনা খোন্থাং য়ৈখি;
অরাপ্পদা হরিনোনাংশিংনা মচা পোক্লি...
অতিয়াদা লৈচিলগী কারক্তা এরোপ্লেন পাইরি
মবুক নোইবা মীনম্বা জীবশিং তোঙলি ফম্লি
শঙ মচাশিং থিরি,
অতোপ্পা তাইবঙপানগী যূমশিংদো থিরি;
মনম থিরি যূম্লিংদ্রবশিংদুগী...
নোংমা য়াচংলকপদা
খুঙ্গংগী কোনুংদা অঙাংশিংগা
পোকলাউবী কাপ্পবি শান্নরম্মী,
বোম্মুলা থানবি শান্নৈ, মৈকাপ্পী কাপ্পী,
যূমপানদ্রিবীশিংনা মোমোন নোক্তুনা ঈরাংদা ঈথক হৌহঞ্জে
মমহন্নিংদ্রবা কোনুংগী মখোলগী
কোরৌহনববু চীংচেপ্পুগী শাৎহননবা হোৎনজে
মথোই কানা ফজরবা কোনুং অদু অসুম মমশিনখি,
অসুম অসুম মমশিনখি-
অহিংনা খোইদারক্লদুনা অশিবা ওনখি তাইবঙপান...
নোংঙাল্লকপগী অনৌবা অমেংবা লীক্লালক্তা
হৌগৎলক্লরোইদৌবা নহা মাপলনা
উপনা তূমদুনা লৈরম্মী খুঙ্গংগী পলি মথক্তা!
লৌখোঙগী ঈশিং মচু ওল্লদুনা...
কোরৌগী মশক্তি মমি শামখ্রে, চীং নাপোমদা লৈথখ্রে।
চা শঙদা মকোই মশম খাকপা নুপা অমনা
ঈশৈ অমা শক্লি
যূমদোকপোকশিংগী ঈশৈ,
যূম্লিংদবশিংগী ঈশৈ,
মহাক্লা খঙই—
শঙ মচা মচাশিংদো নাউপুরক্লি হায়বা...
খুঙ্গংগী উফুলগী লম্বেলদা উনা-ৱানা মচুগী
হৱা-গাড়ী অচৌবশিংদা হুইজাউ পুদুনা লাক্লে,
লমদম অমগী লন্মী থীবা লাক্লি,
খুঙ্গংগী কোনুংসে কনানসু উদ্রে,
অশিবশিংগী ইখোল ওল্লে হৌজিক্তি...
থাবলনা ইৱাই ইনিল নায়রকপকান পলি ঙাক্লি লৌখোঙসে
থৱাম্নিচাক্কী মৈরাতনা লৈতেংখ্রে
মচু ওল্লরবা ঈচেল মচাদুসু
ঈশিংগী মচু ওইনা চেল্লি হৌজিক্তি ইরু লুরদুনা...

### ভেলেন্টাইন দে
*অশেম বেবিচা চনু*

ফেব্রুৱারী থানা লাক্লবদা
নীংশিংলক্লি মতমদুগী
পীরকখিবা গুলাপ অঙাঙবা
থৎলগা সড়ক্তা মহাক্লা।
নুংশি ৱাহৈ কয়ানা
সুর কয়াগা লোয়ননা
ইকায় ইকি ৱাংমা লান্না
অঙাঙবা মচুগী গুলাপ।
নুংশি হৈতা থম্মোয়না
নুংশি হৈতা শাদুনা
উশিৎত্রিরা হায়দুনা
লৌরকখিদে খুদোলদো।
কুমজা কয়া হৌখ্রে
অওনবা কয়া লাকখ্রে
নিংঙল্লক্ত্রে হৌজিক্তদা
নুংশিরকই মাবু থম্মোয়সিনা।
লেপচরকই থম্মোয়'নুংদা
ফোঙদোল্লুগে খন্না
তাং ১৪ ফেব্রুৱারী
ভেলেন্টাইন দেনা লাক্লবদা।

### মীকপ থোক্লসি ইরৈচাশিং
*নোমিতা খোংবান্তাবম*

হনবা লৈত্রবা খোঙজং
নীংহন্নবা য়াওদ্রবা থৌনাদা
মান্নবা খুন্নাই অমগীদমক্তা
মীকপ থোক্লসি ইরৈচাশিং।
হোংহল্লক্লবা খুন্নাইসিগী য়াওনদা
হু তৈরবা তেনজৈগী লাংদা
কিদুনা শমাই লৈগদ্রা
কন্দুনা লাকখ্রবা ইরমদম
পুৱারীগী লমায়দা ইখ্রবা
ঈখেং তানা কথোকখিবা।
থিবা তাই ফুরুপশিং
পুরোন পুরোন কয়াগী
হাক্তক্তগী থৌদাং পুরক্লবা
মরমদমগী খন্দুনা কলম্বা
করম্বা ফুরুপ লৈবগে
কিদুনা করিগী চেনগনি?
ফুরুপ কাঙলূপ কয়াগী
মিতাফম ওইরিবা ইরমদম
কনবা তাবনি, ইথৌদাংনি
য়ৈখায়বা থীনগাইবা মরক্তা
মহৌশাদগী লৈরক্লবা চৎনবীদা
করিগী অমুক পঙথগনি
মীকপ থোক্লসি ইরৈচাশিং।

## লাইরিক্কী মপাউ

# বোমদুনা পোকখায়খ্রবসু

## (লায়রবসু ইনাকখুনবসু চপ মান্নবা মতমগী চৈথেং ফংলিবা ৱারীমচাশিং)



| | |
|---|---|
| মমিং | ঃ বোমদুনা পোকখায়খ্রবসু |
| মখল | ঃ ৱারীমচা |
| অইবা | ঃ কৈথেল্লাকপম লন্দন |
| ফোঙবা চহী | ঃ ২০১৫ |
| লামায় | ঃ ১০৪ |
| অফোঙবা | ঃ ফিক্সন ক্লব, মণিপুর |
| মমল | ঃ লু: ২০০/- (মখুম অথাবা)<br>লু: ১৬০/- (মখুম অপাবা) |
| ফংফম | ঃ ১) য়াইবিরেন কম্যুনিকেশন্স, উরিপোক, ইম্ফাল ২) মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, পাউনা বজার, ইম্ফাল |

**পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা**

**অমেরিকাদা** ৱারীমচানা মপান মরা তাদুনা হৌখ্রবা তুং আ কাইনথং ফাওবা ইংলেন্দদি হার্ডিগ দিক্কন্সকী নোভেলদা ঙাওদুনা লৈনখি। ১৯ শুবা চহীচাগী লোইরমদাই মরিফুগী অদুৱাইদনি মখোয়না ৱারীমচাগী মহাও তংবা হৌরকখিবা। মদুসু পাউচেদা নোভেলগী তাঙ্কক তাঙ্কক ফোঙলম্বদগী মহাও অমা ওইনা অতেনবা ৱারীমচা ওইনা ফোঙনরকপদগীনি। তৌবগীদি ৱাদি খজিক্ত হায়বা, ৱাহন্থোক অদুদি চাউবা, খূৎই অসিগী ফজবদু খঙনরকপদগীনি। মখোয়গী মরক্তা মরু ওইনা হেনরী জেমস পনবা য়াই। মহাক্লন্দি হায়, ৱারীমচাবু পান্নরকপগী মরু ওইবা মরমদি মরু ওইনা ঙসিগী পুন্সি মহিংগী লৈতাদবা, তম্বা ঙমদবা, চরাংনবা মশক অসিনা পীরকপা খুদোল অমনি। মতাংসিদা কুমজা ১৯৬৮ দা সাউথ অফ্রিকাগী অইবা, নাইদিন গোর্ডিমরনা হায়রম্বা ৱাফম অমা নীংশিংলকই। মানা হায়, “ঐখোয়না থেংনরিবদি পুন্সি মখল লিশীংনি অদুগা নোভেল অমনা পীরিবদি পুন্সি অমখক্তগীনি। নোভেলিষ্ট অদুনা পীরিবা লমচৎ অদুগা অপাবা অদুগা মখূৎ শম্নরগা লোইদ্রিফাওবা চৎমিন্নবা তাই। মদুনদি ঙসিগী পুন্সি মহিং অসিগী মহাও পীবা ঙমদ্রে। থেংনরিবদি তন্দলগী মশক্লি। অমম্বদা অমদা অমুক ঙান, অমুক মম, অমুক অসিদা, অমুক্লা অদুদা। অদুনা ৱারীমচা ইবশিংনা উই, হৌজিক হৌজিক্কী মীকুপ্তু ঙাল্লিঙৈদুদা। মদু মখোয়না কলা অমা ওইনা ফাজিলহৌবদনি। শম্না হায়রবদা, মখোয়দদি মমাঙদা করি থোকখ্রে, তুংদা করি থোক্কদৌরি হায়বসি হায়রুদনা মীকুপ অমদুদং ফাজিলহৌবনি। অদুনা হেনরী জেমসনসু হা, “ৱারীমচাগী অশেংবা মশক্তি অইবদুনা হৈ-শিংবদুনি, থীম খনবদা, শেম শাবদা অমদি ইঙ্গিৎ পীবদা। চুমখ্রবা ৱানি হায়নিংঙি।

ঐনা ৱাফম খরসি পঞ্জরুবগী মরমদা ঙসি পায়খৎলিবা ৱারীমচাগী লাইরিক অসি পারুবদা ফাওরকপা ৱাখলদুনি। অদুবু লন্দন নহা ওইজরবসু থীম খনবা, শেম শাবা, ৱারী লীবা, পাউদম্বা মরীক চুল্লে। ৱাহৈগী মিত্রং অমা শান্নবা হৈরে মাগী ৱারীমচা ২০ অসিদা। অদুগী মথক্তা য়াম্না মরু ওইবা মচাক, লোইরকপগী ষ্টাইল, অপাবশিংদা কক থিল্লমগদবা মমু অদু য়াওহনবসু হৈরে হায়নীংঙি। মসিনি খ্বাইদগী মরু ওইরিবা ৱারীমচা ইবগী, তেনবখক্লা য়াবা নত্তে। মমু য়াওদ্রবা ৱারীমচা অদুদি ৱারীমচা নত্তে হায়নরিবনি। অমা হেক্তা য়েংবা য়াই। মহাক্কী “ইঙাগী” হায়বা অহানবা ৱারীমচা অসি হৌজিক্কী ফোঙ ফোঙ শারিবা ৱাথোক, মরাল লৈতবা মীবু হেক্তা হাত্তোকপা থৌদৌ অসিবু য়ানিংদবা উত্তুনা শেম্লিবা ৱারীমচানি। নীংতম্বগী মিংদা লানহৌরিবা মশেল কৈনো অমগী হেক্তা হাত্তোক্লে,হাৎলবা মতুংদনা অমুক মীনুংশি পোকপা শাদুনা মতেং পীবা লাকই। মদুবু পেঞ্জদবা ওইনা শিখ্রবা নহাদুগী নুপীনা মতেং লৌ হায়বা য়াদবা, মাগী মরাল করি লৈদুনা হাৎলিবা হায়না চাউরবা ৱাহং অমনা লোইশিনবা ৱারীমচানি। হেন্না নুংঙাইরিবনা অদুম্না হাৎপিখ্রবা ময়ামদুদি থওইবিদনা, অথৌবশিংগী নুমীৎতি কুম্মৈ ওইনা পাঙথোক্লবা লূপ কয়ানা শেল খায়দুনা হোৎনবা অদুবু মমীৎ মমায় পাঙহনবা পাউখুম নুপীদুনা ফজনা পীখিবা অদুনি।

লন্দনগী ৱারীমচা খরসিগী অপূনবা মশক্তি, লমদমসিদা লায়রবসু, ইনাকখুনবসু মতমগী চৈথেং চপ মান্নবা ফংমিন্নরি হায়বা উনবা হোৎনবসিনি। লাইরিক্কী মমিং পুরিবা ৱারীমচা অসিদা অইবনা লায়রবনা পৎ তৎলবা অমনা কদায়ফাওবা মচা অনাবদুগী হোৎনবগে হায়বদু উৎলি। ওপরেশনগী পৈশা লৈতদুনা খনবা য়াবা খল্লগা মপা লায়রবদুনা শঙাই কুম্মৈগী মীরক্তা বোম পোকখায়হনবা ফাওবা পৈশাগীদমক চথরুই। অদুবু মচাদি কনবা ঙমহৌদে, শিখিবনা হানখি। ‘হাবি-জাবি’ হায়বা অসিদনা ঙসিমক য়ুহা হাবদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মমি তাবা ৱারী লীরি। ইঞ্জিনিয়ারদগী, থিঠাদারফাওবা, হেদ মিষ্ট্রিদগী শিন্মী মচা ফাওবা মবুকচেল অমত্তা শেংদ্রবা মশক অমা উৎলি। হুরানবা ময়াম্না শাবা থোং, যূম করি ওইহৌনি ৱাজবা পুকচেল শেংবা শিন্মী অমা থিকাদার অদুনা লোন্না হাৎতোকপীখি। লমদমসিদা অচুম্বা চৎপগী মফম লৈত্রে হায়বদু ৱারীমচা অসিনা ফজনা উৎপা ঙম্মী।

‘বন্দে মাতরম’ হায়বসিদনা ভারত লান্মীগী লুজদবা মচৎ অদু ফজনা উৎলি। মখূৎ চল্লবা, মখোয়দা চঙজরবা লালহৌবা নহাবু হেক্তা হাত্তোকপা মচৎ অদু উৎনবা হোৎনরি অইবনা। লৈঙোই পেক্তুনা চরা তাঞ্জরম্বা নহা অমনা ঈচাউ মতমদা থবক শুফম লৈতদুনা চরা হেল্লক্লবদা নহারোল য়াওখিবনি। অদুবু লূপ মনুংদা য়ানরক্তবদগী মথ্বায় মাঙবা তারক্লবদা চঙজরুবনি। অদুবু ওৎপা য়াবা ওৎলগা চীংখোঙদা হাত্তোক্লগা লংথোকপীরম্মী অয়ূক অমা। লমদমসিদা সরেন্দরগী চথুরিবা লীলা অদু উৎনবা হোৎনবনি অইবনা।

অতোপ্পা অমনা ‘কায়রবা ফোনগী মচেৎশিং’ হায়বসিদা দ্রগ ললোনবা শেঞ্জাও পায়বা অমগী দষা উৎলি। ফত্তবদা তানবা লনদি করিসু কান্নদে হায়বদু উৎনবা হোৎনবনি। ওফিসার, লৈঙাক মপু পূম্বা মনুংদা খঙনদুনা ফনা চাউনা ললোনবা তৌদুনসু মমৈদদি পুম্মাং মাঙবা মশক উৎপনি। নুংশিরবা মনাও দ্রগতা লাইচুদুনা শিখি। অমতা ঙায়রবী মচল নুপীদু কারবার তৌমিন্নবা ময়াং মচানা অরোনবা মরী থম্বদগী মীরোল্লকই, লৌরনি হায়দুনা দেল্লিদা পুখ্রগা হাত্তোকপীখি। চাউরবা শেনফম অমসু ময়াংদুনা হাত্তোকপীখ্রগা ফোন স্বিটস ওফ তৌখি। পৈশানা পুন্সি লৈবা য়াদে, থৱায় কনবা ঙমদে হায়বদু ফজনা উৎলি।

অতোপ্পা মশক অমনা লন্দন্না ঙসি ঙসিগী ৱাদগী হেন্দোক্তুনা চহী ৭০ মুক্কী মতুংদা লমদমসিগী পুন্সি মহিং কমদৌহৌগদগে খনবদা ৱাজবদু উৎনবা হোৎনরি। মাগী ৱারীমচা ‘ভিক্তোরিয়া’ হায়বা অসিদা মতমদুদা মমা অমনা মতোমতা হিংবা তারকপা, মচানুপীনা লাইরিক তম্বা চৎখিবদগী হরিয়ানাদা ওংখিবা, মচা নুপানা, মমৌনা হন্না য়েংবীদবা, মপুরোইবগী পেন্সন্না মদোম হিংবা ফজনা উৎলি। ফজরিবদি শাংখ্রবা ৱারী অমবু অতেনবা ইন্টরভিয়ু অমদা উৎপা ঙম্বা অসিনি। য়াম্নসু হ্যুমরস ওই, পাবদা নুংঙাইহল্লি। অসিগুম্না ফোন্দা ৱারী শানা শানা লমদমসিগী ধর্ম, চৎনবী, লাইনীং মথোঙ খঙদবা, নুং-পান ইমান মান্নদবা মশক অমা ওইবনা উৎনবা হোৎনরি মাগী ‘নিত্যাইনন্দগী ফোন ওকপা’ হায়বা অসিদা। মৈতৈ ধর্মসু অদুম চৎপা, মপানগী ধর্মসু অদুম লৌবা চয়েৎনবা মশক্লি। মাগী নুপা ফোন ওক্লিবা অসিনা মপান লমগী দিপানিতা মৈ থানবা পামদবা উৎলি। ফোন্দা ঙাঙলক্লিবা নিত্যাইগা হিরম অসিদা মরৈ তৌনবা উৎলি। অদুবু ময়ূম য়ৌখিবদনা মাগী নুপীনা দিপানিতাগী মৈ পরেং থান্দুনা লৈরম্মী। ফোন ককথৎখি। ফজৈ।

য়াম্না মওং তাবা, শা-ঙাগী ৱারীমচা অমসু য়াওরি, পাউতাক্লা থনবা। শারং মনুংদা য়োক্লিবা য়েনবা অমগী ৱারী ওইনা শাগৎলকই। অহাওবদা চামিন্নদুনা য়েন অমুবী অমগা লৈমিন্নবা উৎলি অইবগী ‘ঈখৌলাংবা’ হায়বা অসিদা। লম্পাক্তা হোৎতুনা চারিবা য়েন ময়াম অদুবু মখোয়নীনা তানবী, লক্লে। অদুবু মপু মতৈ মনাওদুনা খৎনদুনা মাগী মাগী থোকপা চৎনখ্রবদা মচীঞ্জাক হুনবীনবা মী লৈত্রবদা কংশি শিবা তারকপদা য়েনবাদুনা মানা লুনা থমজবা য়েনবী অদু হাত্তুনা ঈ থকই। মমৈদদি মাবুসু য়েন হুরানবা অমগী মখূৎতা তাখি। মথ্বাই মাঙখি। য়াম্না ফজবা পাউরৌ পুবা ৱারীমচানি হায়নিংঙি।

অমুকসু য়াওরি লন্দনগী খূৎই হৈবা, করিসু নৎতবদু হেক্তা ফজহনবা ঙম্বা মওং উৎপা ৱারীমচাশিং ‘তোক ৱায়বা’, ‘শেন্দোং’ অমদি ‘ষণথী মনম’। ৱারীমচা অহুম অসিদি তশেংনা ফজখ্রে, মীৎ-মায় ওইহৌরনি তুংগী নহারোলশিংগী খূৎইদা। ‘তোক ৱায়বা’ হায়বা অসিদা মবুক মপাউ ফবা মাগী নুপাদু মাগী নুপীনা পুগেগা, ৱায়গেগদা হায়বা লৈকায় মীশিংবু নুংশিদদুনা থেম্বা হোৎনরিঙৈদা শেল শিংগে লাকপদু পুবা লাকপা ওইরবোই নীংদুনা লৌহৌদবা, নুপা লৈতে হায়জিন্নবা মশক উৎলি। ‘শেন্দোং’ হায়বা অসিদনা নুপী মানবী নুপা অমগী পুন্সি মশক ফজনা উৎলি। মানা ইমুংদা কুপ্লোম নোম্লগা মাগী নুপীনা পঞ্জাউ শুবা চৎলি। অদুবু করিসু লৈতবা ৱারী অসি লন্দন্না নুংঙাইহল্লি। লোইশিল্লকপদা নুপাদুনা ইখ্নোন্দগী মন্দুনা হোঙনা য়োল্লম্বা শৌগ্রী মপুন অনীদু মাগী নুপীনা তাঙনা অমুক লৈদুনা চঙলকপা উৎলি। ‘ষণথী মনম’ পৈশা ময়ামদু থবক তৌবা পান্নুবদগী লোইনা মাঙখিবা, চানদবা থবক তৌবা হৌনদে হায়বা পাউতাক য়াওবা ৱারীমচানি। পাবদা হেক্তা নুংঙাইহল্লি। মসিনি অইবা অসিগী মগুণ।

য়ামখ্রে পাউদম্লিংবা অদুবু লোইনা চন্দ্রে। অরোইবদা হায়নীংবা অমতংদি লাইরিক অসি শাগৎনবা হোৎনবদা হাপত্রসু য়াবা ৱারী মচা অনী অহুমদি য়াওরে। অহোঙবা ফাগী পুবা, ফোর্সদ লেন্দিং তৌবা ৱারীমচা মমৈদা খরা য়াওরিবা অসিদং লৌথোক্লম্লবদি খল্লকই পাবা লোইরকপদা। অতৈদি লন্দনবু ৱারীমচা ইবদা পকচরোই কনানসু হায়ররোই।○

## ৱারীমচা

# থম্মোয়না মকা লাম্লক্লবদা

## (পাউ চে অসিনা পীজবা হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি এৱার্দ-২০১৫ ফংলবা আই বসন্তগী ৱারীমচাগী লাইরিক *থম্মোয়না মকা লাম্লক্লবদা*গী মীংথোল ওইরিবা ৱারীমচা)

**ইরুংবম বসন্ত সিংহ** মণিপুরী খোরিরোলদা আই. বসন্ত হায়রগা থোইনা খঙনৈ। ইম্ফালগী ৱাংখৈ খুনৌদা কুমজা ১৯৪৪দা পোকখি। অপোকপগী মিংনা ইরুংবম ইবোবি সিংহ অমসুং ইরুংবম ওংবী মণি দেবী কৌই। মহৈগী থাক আর্টস গ্রেজুয়েটনি। অহানবদা অনন্দ সিংহ একাদেমীদা কেরানি ওইনা থবক চংখি। মতম অদুৱাইদা বসন্ত ৱারীমচা ইবগী ঈখৌলাংবা পোল্লকখি। অশেম্বা মিং শীজিন্নদুনা চহী খুদিংগী স্কুলগী মেগাজিন অমদি মতম অমদা খোরিরোল অমদি কলচরগী চেফোঙ ওইনা ফোঙলম্বা *মতমগী খোঙথাং* অমসুং *মীৎয়েং* নচিংবদা ৱারীমচা ইদুনা ফোঙবা হৌরকখি।

আই বসন্ত, তোঙান-তোঙানবা শিনফম কয়াদা চৎলুরে। কুমজা ১৯৮৯দা মোইরাংদা রুরেল দিভ্লপমেন্ট ওফিসার ওইনা পোষ্টিং তারিঙৈদা মশক নাইরবা অইবা কয়াগী লাইরিক্লা মঙোন্দা অনৌবা ঈথিল কয়া পীরকখি। য়ুনাইটেদ বেঙ্ক ওফ ইন্দয়াগী মেনেজর ওইনা থবক্তগী পোত্থাখি।

অইবা অসিগী ফোঙলবা লাইরিকশিংদি- *জিরিগী* ভূত(১৯৯৫), *অবোক্কী* ভূত (১৯৯৬), *দ্রাইভরগী* ভূত (২০০০), *অরোইবা চিঠি* (২০০৫), *বরুৱাগী চিঠি* (২০০৮) অমসুং *থম্মোয়না মকা লাম্লক্লবদা* (২০১৩)নি।

অইবা অসিগী অকোনবগী ৱারীমচাগী লাইরিক *থম্মোয়না মকা লাম্লক্লবদা* হায়বসিদা মমাঙদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনা নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সাহিত্য মনা ২০১৫ সু পীখ্রে।



**কৈথেলগী** নুপী পোৎফমদি সংসার অমনি। পোৎফম ফম্লিবীশিংদুগী মনুংদা লৈত-লায়রা চরা নোংখন্নবগীঙাক নত্তবা নুংঙাই য়াইফবা ইমুংগী মীওই কয়ামুকসু য়াওই হায়নৈ। ময়ূমগী মচা মশুনা কৈথেল কাবা তোক্লো হায়রুবগী খৎনবদা ময়ূমদা নুমীৎ কয়ানিমুক চরা হেনবগী ৱারী অনৌবা নত্তে। খুমন্থেমগী ইনে তম্ফানা হায়ববু য়ূমদা নারি শারি তৌরম্বা অদু কৈথেল হেক য়ৌবদা কৈথেল লাইরেম্বীনা অনাবদু কদোমদা তান্থোকখিবনো খঙদে হকচাংদু লৈশাবী মচামুক কনখৎলকই হায়। দিক্লারেসন শান্নবদা ইনে তম্ফানা চে থাবগী মখোন্দি নোংমৈদগী হেন্না হৌই। কৈথেল ঙাক্লিবা সিফাইশিং ইনেনা চে থাবা য়েংলিঙৈদা মখোয়গী ওফিসার লাকপা খঙহৌদবদগী শজাই ফংখিবা য়াম্না য়াওই হায়।

পোৎফম ফম্লিবীশিং অসি অহল য়াম্না ওইবী ঙাক্তসু নৎত্রি। চহীনা ঙমগে তৌরবসু মায়থোংনা থিংদুনা থম্বী কয়াসু য়াওরি। চহী কুন্থ্রা হায়বদু করিসু নৎত্রগসু ইনৌদা নৌদুনা লৈবী রাধাগুম্বী মঙা তরা য়াওরিবশিং অসিসু পৈশা তানবগী ৱাঙাক নত্তনা অহল লমনগা শাগোন্নরক্লবা পোৎফম মুৎহন্নিংদবদগী অততাই ওইনা থোকপসু য়াওরিবনি। ময়ামসিগী মনুংদা রাধাগী তোপ তোপ্পা মরমচৎ অমা লৈ। কৈথেল ফম্বীশিং অসিদি পোৎ চৈগী মমল হুন্নবদা অরৈবনগা হেনজিনবা ঙম্বা পোৎ নত্তে। অদুবু রাধাদি মরৈ-মরাং তৌবগী মহুৎতা ৱাহৈ অমা অনী হায়রম্লগা হাইফেৎতং নোক্লগা মমায় হেক্তা লুকথৈ। মদুদনি মানা পোৎশীৎ ফজরিবসি। মতৌ অদু উবদা ইনে তম্ফানা হায়, “নচৎ অদুননি নঙবু ইবোতোন্না মোইথেম তৌরগা নয়ূমদা থিন্দোরক্লিবদু।” রাধাদি ৱাফমদু ৱা ওইনা লৌরুদে। মাগী ৱাখলদি ময়াম্না লৌনরিবদুগী পুরা ওন্ন-তৈনবনি। হৌজিকসু মাদি আশা তৌরি, “মতম চাদদুনা তৌরিবনি।” অদুবু ঙাইবগী মতমসি ফনা নীংথিনা কুইরক্লবনিনা থম্মোয়দা চিংনদববুদি ঙমজদবা।

চিংনরিবদুগী মথক্তা নোংমা লম্বীদা মোঙ হাদনা লৈরম্বা দেবেন্না হায়খিবদু খঙনীং নীংশিংলকই। পাউখুম ওইনা মশামক্কী ফিরেপ ময়েক শেংনা খঙহনখিবনি।

দেবেন্না,

“ঙাইরিবনি হায়দুনা নপুন্সি অদু নথন্তা মাঙহঞ্জরগে হায়রিবরা? ঙাইবগী মতম হায়বা অমদি লৈরিদনা। নঙগুম্বী মতিক চাবী অমনা নশাগী ফিরেপ অমা লৌজবদি কনানসু থিংলগদবা ৱাফম নত্তে।”

“ইশাগী ফিরেপ অদু লৌরগনি ঐনা ঙাইরিবসে। করিগুম্বদা পুন্সি চুপ্পা অদুম ঙাইরগসু করিবু অকায়বা লৈগদগে? কনানা খঙগনি, ঙসিমক ঙাইরিবা নুমীৎ অদু ওইরকপসু য়াইনা। তৌবগীদি থবক খুদিংমক থুহনগে নৎত্রগা তপথহনগে হায়বদু ঐখোয় তামোগী খূৎতা লৈরে। মাদি হান্নদগী থবক তৌবদা য়াম্না মুন্না খল্লগা তৌই। অদুননি থবক খুদিংমক্তা মতম চঙলিবসি।”

“হেক হায়রুরগা তামোগী ৱাফম হেক্তা পল্লকই। মদুমদি শুক্তা তানীংদবা ৱাফমনি। পূম্নমক মানা থোকহল্লিবা ঙাক্তা নৎত্রা? য়ূম পানববু ফাগীরা? মানদি অসুক লায়না লৌরগা নঙনদি করিগী লুহল্লিবা। নঙ লৈনা লৈনা মানা অতোপ্পা নুপী অমগা লুহোংলে। মসি নঙবু শান্নপোৎনি হায়না খন্দুনা তৌরিবা নৎত্রা?”

নুমীৎতুগী মতুং খরা লৈরগা দেবেন্দু নুপী পোৎফমদা ফুং ফাওরকখি। ফাওরকপদা নত্তনা রাধাগী মমাঙদা লৈরিবা খুদৈ অরাংবা অমা পায়খৎলগা,

“খুদৈসিবু মমল কয়ানো?”

“নথৱায় লৌরা নঙ...,” হায়রগা অতোপ্পা নিপা অমনা লীচৈ লীরু পায়রগা রাধাদা মমল হংলিবা নিপাদু তম্না পাইশিল্লকই। তাঞ্জাদুদা মমল হংলম্লিবা নিপাদু নুংশিৎকী মমাঙ থানা চেনখি। কৈথেলনিনা থৌদোক মচা অমা থোকপদা ফাওবা কুম্মৈ ওইনরিবনি। চেনখিবা নিপা অমদা লীচৈ পায়বা অমনা তান্নখিবা অদুদদি খরনা য়েংনবা চেনশিন্নরকই অদুগা খরনা কিদুনা চেহ্নোক্লুরকপদা অঙকপা মতৌ অমা ওইরকপদা নত্তনা মফমদু মীৎকুপ্তা মীনা পল্লোন নাইনা কোয়শিন্নরকই। চেনখ্রিবদুগা তান্নখিবদুগদি অদুম মাঙখ্রে, লৈহৌরিবা ময়ামসু চেনশিন্নরকই। লৈহৌরিবা হায়ববু কুম্মৈ পামজবা, য়েংনীংবা কাঙবুদুদা ঙায়হৌরে। চেনশিন্নরক্লিবশিং অদুসু করিনো খঙদনা চেনশিন্নরকপা ঙাক্তনি। ফিয়োনবীগী ফি ময়োম জুরিদা তাবনি করিসু নত্তে হায়দুনা অমুক মরী মরী হায়দোক্লরকই। মনাক অদুৱাইদা উদি উরগা থৌ ৱা শারুদবদগী তাংদাংবা খঙহৌদ্রবী চন্দোন উপু য়োনবী থৌরানী ইবেতোন্না তপ্লপ্না হংই,

“রাধা, হৌজিক্কী থৌনা ফবা অনীদুবু কনা কনানো? নঙগী নতৌদুদা ঐদি নঙ ইকায়খিগদ্রা হায়দুনা মুন্নসু য়েংহৌদ্রে। থানানগা ফারম্লবদি নশুংলাংগীনি হায়দুনা নঙ ইকায় শঙ্গোইবু হাঙগনি হায়। ফরেদা মখোয় অনীনা লাপ্না চেনখিবা। খম্বগা নোংবানগরা হায়বা?”

“করি হায়গদবনো খঙদেদা। অনীমক চপ হেক মান্নবজাৎনি।”

“করিনোনে নঙনা হায়রিসিবো? অনীমক চপ মান্নরগা অমনা হাৎলগে হায়না তান্নরগা অমনা পাইদুনা চেনখ্রিবা অদুবু নঙবু করি অমত্তা পাখৎত্রা হায়বা?”

“হাৎকে হায়বগী ৱানি, হাৎপমক্তি হাৎতেদনা। হাৎকেবু হায়রবদি করিগী অদুক লাপ্লিঙৈদগী লাউরক্কনি? থম্মোয়দবুদি লাম্মৈ চাক্লক্তুনা তৌরম্বসু য়াই। মীদু মীশোন্নি, মীগা হাৎপা ঙম্বা জাৎ নত্তেদা।”

“নঙগী পাউখোংসিবু ঐবু জ্ঞান তাদ্রেনে।”

কোক্কায় লুক্কাই থোকহৌদ্রিবদু অমরোমদদি লাইবক ফৈ। শাউনীংবা হায়বসিদি করিসু তৌরোই হায়বা য়াদে। চৈতুপতুনবু হাইথরম্লবদি অমদুগী মকোক্তু বেশন ওনবা তাবনি। চৈ পায়দুনা চেনশিল্লক্লিবা নিপাদুনা মশা খরা লুম্লপ তৌদুনা য়াঙনা চেনবা ঙম্লমদবদগী ফরম্বনি। অদুবু নুপী পোৎলক্তুদা ঙাইহাক্কী থৌদোক্তুদি বোম পোকখায়বগা চপ মান্নখিবনি। মচীন ওইবা পোৎফমদদি চৈতুপ্না কন্থবদা নিপা অমা লোংনা তাদুনা লৈহৌরে হায়না ৱা: য়া: লাউনখি। খরা পাখৎচাউবী খরদি পোৎ চৈ লোইশিল্লগা হনখিবা ফাওবা য়াওরবনি। খরা অমদি মপোৎ মচৈ হান্না য়েংলমদনা লান য়েংবা পাইশিন্নরকপদা কুম্মৈ অমা অমুক ওইরিবনি। অদুবু ঙাইহাক্কী মনুংদা করিনো খঙদনা ঈরাংদু অদুম নেমথখ্রে।

রাধানা ইবোতোন্দা লুহোংখিবা মতমদুদা লৈকায়না ঙাঙনহৌই, “দেবেন্দ লোংনা তাহৌরেদো।” খোমজীন চাম্মদি মেনবা ঙম্মী, মীচিন চাম্মদি মেনবা ঙমদে হায়নরিবনি। মীৱা ঙাঙনবা হায়বসিদা শীজিন্নবা ‘পেনবা নাইবা’ হায়বা ৱাহৈ অসি ঈশ্বরনা থম্বীরমদে। অদুনা দেবেন্না লোংনা তাহৌবগী ৱারীসি ফনা কুইনা হিংদুনা লৈখি। মরায়বক্লা তম্লিবরা নৎত্রগা মীনু চঙবনরা চহী মরি শুরক্লবা ফাওবা রাধাগী মমীৎতা মচা উবা ফংজখিদে। ইবোতোন্নদি হায়, “অঙাং য়াওবগা য়াওদবগা করিবু খেন্নরিবগে? অপীকপা ইমুং নুংঙাই য়াইফবা ইমুংনি হায়নরিবনি। তাদগী মচা য়াঙ্গোন অমা লৈরিবসিদগী অপাম্বা অমা কোক য়োক্লগা লোইরে। লৈকায়না মীৱা ঙাঙনরিবসিদি ঐদি ৱা ওইনা লৌদে।” মখোয় তামোগী ৱাফমসিদা রাধাদি য়াম্না পেঞ্জখি। অদুবু ইমুংগী অহল লমন কাঙবুগী তোঙানবা অপাম্বা অমা লৈবনিনা মদুসু হেক্তা উশিন্নদবা য়াদবা মতাং লাকই। অদুনা ‘সিনা ফরোইদ্রনে’ হায়বা ৱাহং অমা মখোয়গী মাঙদা চোংথোরকই। শাগৈগী ওইনা ফনবা খন্নরকপনিনা মসি খন্নবা য়াই হায়নরম্বদগী ইবোতোন লৈদুনা চেনবা য়াদবা ৱাফম অমা ওইরক্লে। রাধানা হায়,

“ৱাফমদু ঐসু য়াজনীংই। অদুবু ঐনা য়ূমসিদা অসুম লৈরগা অতোপ্পা শাগৈগী নুপী অমা লুহোংদুনা পুশিল্লকপা হায়বসিদি ঐনসু খাঙবা ঙল্লোই অদুগা নুপীদুনসু চঙলকপা নুংঙাইরোই।”

“অদুদি করি তৌসি হায়রিবা? নঙনদি হীরমসিদা অয়েৎপা করিসু পীরোই হায়না অহল লমনদা য়াথোকখ্রে।”

“অদুবুদি য়ানবা অমগী মখাদা চৎনরগা লোইরে। মায়দা ওন্নরোইসি। মহোই তামোগা ঐগা ঐখোয় য়ূমদা চৎমিন্নরগা ঐ অদুম লৈজহৌগে। থবক ইনখাং পাঙথোকপা লোইদুনা মতাং চারে হায়না খনবিবা মতমদা ঐবু লৌবা লাকপীয়ু। মতমদু ফাওবা ঙাইনবগী ঐগী পাঙ্গল লৈজৈ। ফীভম্না য়ারক্তদুনা করিগুম্বদা ঐগী দরকার লৈরক্ত্রে হায়না খনবিরগসু ঐঙোন্দা পুকচেল শেংনা পাউ অমত্তংদি হোদোকপিরকউ। ঐ করিসু শাউজরোই। মতমদু ফাওবা ঐখোয় অনী কায়নদ্রি হায়না লৌজগে।”

মীওইবা হায়বসিমক্তবু মপোক অমা লাংওন অমা হায়নরিবনি। মীওইপোক অয়াম্বনা চীন্দা কাঙথোকখিবা ৱা অয়াম্বা ঙাক্তুনা চৎপা হায়বসি ইরায় লায়বা নত্তবনিনা ৱাবু ৱা ওইনা লৌনদে। অদুবু রাধাদি হায়নখিবা ৱাফম লেংদনা ঙাইদুনা লৈখি, নীংহন্নবা লৈখিদে। ঙাইনা ঙাইনা পাউ তারকখি, ইবোতোন মপা ওইগদৌরে।

পাউদুনা রাধাগী নাকোং য়ৌরকপদা রাধাগী পূক্লিংদা করি খনখি হায়বদুমদি কনানসু উবা ঙম্লরোই। মাগী পূক্লিং মকা ইরাম লামদ্রে হায়বসিমদি তশেং তশেংলে। অদুগী মথক্তা মাবু লৌরবা য়ারে হায়না খনবা মতমদু ফনা য়াম্না হেন্দোরক্লবনিনা পূক্লিংদা খল্লোইদবা কয়াসু খনবা হৌরক্লে। মৈশাদু রাধাগী মমাদসু ফংদুনা খংশোন শোন্থবা হৌরকখি। মমাগী পোৎফম মুৎপদি য়াদবনিনা রাধা মশামক্লা কৈথেল থোকপা তারকখি। কৈথেলদা অসুম থোকপদগীদি থম্মোয়গী কিশি অমা ফাওবা খরা কোম্লপ তৌরকখি। ‘খল্লুরগা করি কান্নগদগে, ঈশ্বরনা তম্বা অমা মরাইনা লাকচগনি। তৌবদবু ঙাইবগী চোকথবা হায়বদুমদি ইশাদা য়াওহল্লোই’ হায়না পূক্লিং ফাথদুনা লৈখি।

অমরোমদা ইবোতোনসু মপা ওইয়ু হায়বদু মরায়বক্তা তম্লমদ্রে। মাগী অনৌবীদু থা তরেৎতা ফৌহাম শাংখ্রে। অদুদা নত্তনা অনৌবীদুসু য়ামফক তাদুনা ফনা কুইনা লৈখি, শিনিংচিৎতা হিংহৌবনি। মখা তাবগী ৱাফমসু মঙ ওইদুনা লাক্লি। অদুবু রাধানা লুহোংখিবদা লোংনা তাহৌবা দেবেন্দি অনৌবা আশা অমগা লোয়ননা রাধাগী মনাক্তা তোয়না মোংবা হৌরকখিবনি। মোংবদা নত্তনা তাঞ্জা ফংবদা ৱাহৈ মঙা তরা ফাওবা কাঙথোকপা হৌরক্লিবনি। মানা হোৎনজরিবা অদু রাধানা করি ওইনা লৌরমগদগে হায়বদু মানা পাদম অমা ইরাক লাকশিনবা ঙমদবগুম তৌই। রাধাগী মীঙোন্দা থীনা হায়বা ঙমদবগী মরাল অমদি লৈ ইবোতোনসু মাগী অনৌবীদুগী শোন্দম নাতম তৌবদুদা রাধাগী ৱাখল ইনীং নীংশিংদবগুম্না উখি নীংশিংলগসু পাঙ্গল থোকপা ঙমখিদে।

কৈথেলগী ৱাখলদা হৈনবী অমা লাকখিবনে, মতম্নগা অসুম হৌখিবনে, মাগী মোংবা মোংদবদি ৱা ওইনবু খল্লুদ্রে। স্বর অমুক্তং শাংনা হোন্দোক্লগা থৌরানি ইবেতোন্দা পাউখুম মখা চৎথরকই,

“ইমানা তপ্না তপ্না শোঞ্জিল্লকপনে, ইমুংসিনা য়েংবিনবা কনা অমত্তা লৈতবনে, ঐদি য়ূম অসি অমুক থাদোক্তবনা ফরমাল্লে হায়না খল্লক্লে। ইমাবুদি হৌজিকসু কৈথেল থোক্কে, মরূপ মপাং ময়াম উনরগা খংকনবু কনখৎলক্কনি হায়রিবনি। অদুবু চহী মতাং হায়বা অমা লৈরি। খুনাম চেৎত্রবনিনা তুশিন খোৎচিল্লো, অদুম লাইপু ওইগদৌরিবনি। অদুনা ঐনা য়ূমদা অমুক হল্লক্তুনা লৈরিবসি অমরোমদদি ঈশ্বরনা ইনশিনবীরকপা হায়বদুনি।”

“অদুবুদি য়াম্না চুম্মী।”

“অমরোমদা পোৎ অমা ফংববুদি পোৎতু ফংখিগনি হায়না অসুম ঙাইদুনা লৈবা অসিনা পুন্সি নুংশাংনবগী উপাই ওইহল্লগে হায়নদুম খল্লক্লে।”

“অদুনা অদু ওইরে। ঐনা পুমঙক ঙকপা ৱাফম অমবু লৈরিনে।”

“পুন্সিদবু করি ঙক্লিংঙাই লৈরিবগেনে, থৌরানি?”

“শা-লান মরক্তুদা ঐদি নমায়দু ঙাংশং ঙাঙগদবোই নীংলুবনি। অদুগা নঙদি নরু লুকথরপ তৌরগা মোমোন নোক্তুনা লৈরম্লিবদুবু করিগীনো হায়বা?”

“অদুবুরো?”

“হোয়নে, অদুবুনিনে ঐনা ঙক্লিবসে।”

“ঐনদি ঐসিবু ঐখোয় তামোনা লাপ্না লংথোকপীরমাল্লে হায়না খন্দুনা লৈরিঙৈদুদা কুপ্না শেন্নদুনা লৈরি হায়বদু খঙলকপদা থম্মোয় মকা লাম্লক্লিবা!”

“ভালোহায়! অদুগীনে মৈতৈ নুপী হায়রিসে।”○